গুরুমযুম প্রেমান্দ্র লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটতা চীফ সিক্যুরিটি ওফিসর ওইনা থবক তৌরম্বা নাগামপাল কাংজাবী লৈরক্তগী গুরুমযুম প্রেমান্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা দি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েট ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এম এ এল এ এস ঈ দব্লিয়ু এ)না অৰাবা ফোঙদোরক্লি।

দি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েট ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এম এ এল এ এস ঈ দব্লিয়ু এ)গী সেক্রেটরি থাংজম রামানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিয়েটতা চীফ সিক্যুরিটি ওফিসর ওইনা মতম কুইনা থবক তৌরম্লবা গুরুমযুম প্রেমান্দ্রনা হৌখিবা দিসেম্বর ২৩দা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিনা অৰাবা ফোঙবগী মীফম অমা দিসেম্বর ২৬তা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটকী সেক্রেটরি এম রমানিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা অৰাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা তাইবং শেম্বা মপূগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবসু থৌনীখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু এসোসিএসন অসিনা শরুক য়ারি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.852386
US Dollar	73.382837
British Pound	99.068838
Australian Dollar	55.786924
Chinese Yuan Renminbi	11.236383
Japanese Yen	0.707854
Malaysian Ringgit	18.116868
Singapore Dollar	55.272510
South Korean Won	0.067103
Saudi Arabian Riyal	19.568757
Thai Baht	2.441083
Myanmar Kyat	0.05493
Bangladesh Taka	0.86491

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	50007.00
Mumbai	–	Rs	50010.00
Delhi	–	Rs	49959.00
Kolkata	–	Rs	50255.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
home delivery
Booking : 25/12/20
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
digital transaction and online
payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers - 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no
PATSOI INDANE
BOOKING UPT0 : 13/10/2020
VALID FROM 03/10/2020
STOCK : 306 DBTL ONLY
HOME DELIVERY CONTACT NO. 9383082751 & 8259013598
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 09-12-20
B/upto - 11-12-20
Stock : 306
7am to 10am
M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto : 03/12/2020
Valid from 27/11/20
Time 7.30 to 11am
M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up to : 15/11/2020
Valid from 07/11/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 9089709738, 8794622868
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO - 25-11-2020
VALID FROM - 13-11-2020
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-23/12/2020
Valid from-22/11/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM
KHORIPHABA NAMBOL
Bk.upto : 20-11-20
(sl.no upto 21607)
Mobile no 9366471778, 8837349474
M/S ASHANGBI INDANE SUGNU
B/upto-10-11-020
V/from-06-11-020
Stk-306
Only home delevery
Call to 7629966437
From - 8 am to 2pm
MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 12/11/2020
VALID FROM : 10/11/2020
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 01/12/2020
BOOKING UPTO: 07/12/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM

প্রমোসন অমসুং ট্রান্সফরগী ওফিসল ওর্দর পীবিনবা চীফ মিনিষ্টরদা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা দিরেক্টরেট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি (ভেটি এন্দ এ ঐচ) গী তোঙান তোঙানবা ভেটিরিনরি ওফিসর ১৪বু মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি সর্ভিসেস গ্রেদ-থ্রী (দেপ্যুটি দিরেক্টর/স্পেসিএলিষ্ট/প্রোজেক্ট ওফিসর) শিং ওইনা মমাঙ থাগী ১৩দা লোইশঙ অসিগী কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না পীখিবা প্রমোসন অমসুং প্রমোসন পীরবা ওফিসরশিং অসিবু ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীবগী ওর্দরসু ওফিসল ওইনা ফংহনবীয়ু হায়না প্রমোসন পীবদা য়াওরিবা ভেটিরিনরি ওফিসর অমনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল পীশিনখিবগা লোয়ননা মহাকপু সিক্যুরিটি জোনগী মনুং চন্না লৈবা লোইশঙ অসিগী ওফিসতা মথৌ তৌহনবীনবা হায়জখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, ঙসি চীফ মিনিষ্টর অমসুং লৈঙাকসিগী চীফ সেক্রেটরিদা এদ্রেস তৌদুনা হায়জখিবা লোইশঙ অসিগী ভেটিরিনরি ওফিসরদগী দেপ্যুটি দিরেক্টরগী রেঙ্কতা প্রমোসন পীবা য়াওরবগা লোয়ননা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীবদসু য়াওরবা ওফিসর অদুগী মমিং এস ইন্দ্র কৌই হায়রি।

মহাক্না ঙসি পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদুদা মহাকপু ভেটিরিনরি ওফিসর ১৪বু প্রমোসন পীখিবগী ওর্দর অদুগী সেরিএল নম্বর ২দা য়াওরবসু ঙসি ফাওবদা মহাক্কী প্রমোসনগী ওর্দরগী কোপি ওফিসল ওইনা ফংবা ঙমজদ্রি হায়রি।

অদুম ওইনমক, ওর্দর অদুগী কোপি অমা মহাক্না ৱাটসএপকী খূত্থাংদা ফংলবা মতুংদা জেরোক্স কোপি ওইনদি সেক্রেটরিএটকী ভেটিরিনরি এন্দ এ ঐচ সেক্সন্দগী লৌরে হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক য়াওনা প্রমোসন পীখ্রবা লোইশঙ অসিগী ওফিসর ১৪গী অনৌবা পোষ্টিং মফম পীরে হায়রগসু মদুগী কোপিসু মহাক্না হৌজিক ফাওবদা ওফিসল ওইনা ফংবা ঙমদ্রি হায়রি।

মরমশিং অসিনা মহাকপু প্রমোসন পীবিবা অমসুং ট্রান্সফর তৌবীদুনা পোষ্টিং পীবিবগী লৈঙাক্কী ওর্দরশিং অদু মহাক মশাদা ফংহনবীনবা হায়জখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, মহাক্কী রিপ্রজেন্টেসন অদুদা হৌখিবা কুমজা ২০১৩গী মার্চ ১২দা লোইশঙ অসিগী ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা জেইন্ট দিরেক্টর অমগী ওফিস কাদা মহাকপু লোইশঙ অসিগী ওফিসর অমসুং ষ্টাফ ৭না ফুবি চৈবীবদা নত্তনা কিদনেপ তৌদুনা পুননবা হোৎনখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কেস এফ আই আর নম্বর ২৩৫ (৮) ২০১৩ অন্দর সেক্সন ৩০/৩৫২/৫০৬/৫১১/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবসু লৈখি। কেস অদুদা একুাইজশিংনি হায়দুনা পুলিসনা চার্জ তৌখিবা লোইশঙ অসিগী ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী কেস অদুগী এর্ন্টিসিপেটরি বেল লৌননবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা হায়জরকপসু লৈখি। লোয়ননা পোরোম্পাৎ পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্ট মরী লৈনবা কোর্টতা থাগৎলল্লবা মতুংদা কেস অসিগী মখা তাবা ইনবেষ্টিগেসন চংখিনবা ফাইনেল রিপোর্ট অদু ৱিথড্রো তৌজরগে হায়জরকখিবদা কোর্টনা ওক্টোবর ১১, ২০১৮দা পীখিবা ওর্দর অমনা অয়াবা পীখিবসু লৈখি হায়রি।

হৌজিক কেস অসিগী ইনবেষ্টিগেসন পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা চংথদুনা লাক্লি হায়রি।

মরমশিং অসিনা লোইশঙ অসিগী ওফিসর অমা ওইজরিবা মহাক ইম্ফাল ৱেষ্টকী সিক্যুরিটি জোন ওইরিবা বাবুপড়াদা লৈবা লোইশঙ অসিগী ওফিসতা ভেটিরিনরি ওফিসর ওইনা মথৌ পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু মহাকপু প্রমোসন পীরবা মতুংদা থোকখিবা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দর অমনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা ট্রান্সফর তৌরে হায়বগী পাউ তারে হায়রি। মরম অদুনা মহাক্কী মায়কৈদা লৈখিবা থ্রেটশিং অসিগীদমক য়েংলগা মহাকপু ইম্ফাল ৱেষ্টকী সিক্যুরিটি জোন ওইরিবা বাবুপড়াদা লৈবা লোইশঙ অসিগী ওফিসতা ট্রান্সফর তৌবীনবসু হায়জখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা মহাক্কী লোয়নবীগী মায়কৈদগীসু লোইশঙ অসিবু পুরিবা মিনিষ্টরদা মমাঙ থাগী ১৮দা মপুরোয়বগী প্রমোসনগী ওর্দর পীবিনবা হায়জখিবগা লোয়ননা মপুরোয়বগী লেমহৌরিবা সর্ভিসকী মতমশিং অসিদা সিক্যুরিটি জোনগী মনুং চনবা বাবুপড়াগী ওফিস অসিদা মথৌ পাঙথোকহনবীনবা হায়জখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল মনুংদগী ইকো ভেনশিং হুরাল্লগা য়োন্থোক্লম্বা মীওই ৩ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী অহনবা ইকো ভেনশিং হুরাল্লগা মী নেক্তুনা অহোঙবা মমলদা য়োন্থোক্লম্বা গেঙ খূৎপু অমগী মথক্তা ইম্ফালগী ময়ায় চবুক্তা লৈরিবা সিটি পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা তোঙান তোঙানবা কেস মরিদা চেন্নবা মীওই অহুম কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টনা মথং থাগী ১২ ফাওবগী নুমিৎ ১৫নিগী ওইনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি চীংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম ইবোহলগী মচানুপা ভিক্টর এলিয়জ বোয়, শিংজমৈ মথক য়ূম্নাম লৈকায় লাইরেম্বী মনীংদগী হৌজিক্লা মহাবলি কবুই খুলদা লৈরবা লৈখিদ্রবা য়ূম্নাম মহরদকী মচানুপা রোসন (৫০) অমসুং শঞ্জেনথোংগী হাওকিপ ভেঙদগী লৈখিদ্রবা লিমখোহেন মিসাওগী মচানুপা মাংপু মিসাওনি হায়রি।

মীওই অহুম অসি সিটি পুলিস ষ্টেসননা চৎলিবা কুমজা অসিগী জুন, জুলাই অমসুং দিসেম্বর থাদা লৌখৎপা তোঙান তোঙানবা কেস মরিদা মথং-মথং চেন্নবদগী ফাদুনা থল্লক্লুবা মতুংদা কেসশিং অসিগা মরী লৈনবা মখোয়গী পুলিস কষ্টদিগী মতমশিং ঙসি লোইবদগী পুলিসনা মখোয়বু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবনি। মসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা মীওই অহুমসিবু জেলদা থাজিনখিবনি।

সিটি পুলিস ষ্টেসননা মখোয়শিং অসি অতোপ্পা ইকো ভেনশিং হুরানখিবগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেসশিংগী মখাদা হান্ননা ফাগৎখ্রবনি। হায়রিবা কেসশিং অদুগা মরী লৈননা মখোয়বু কোর্ট অসিদগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা ৱাহং পাউহং চথুরবা মতুংদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখ্রবনি। মদুদা কোর্টনসু অয়াবা পীদুনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌরবা মতুংদা ঙসিগী অনৌবা কেস মরি অসিদসু মখোয়বু চেন্নরম্বদগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরগা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখিবনি।

ইকোন কোনবা ওইনা মখোয় অহুম্বু ঙসি জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবা সিটি পুলিস ষ্টেসনগী কেসশিং অদুনা এফ আই আর নম্বর ৪৫ (৬) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৩৭৯/৩৪ আই পি সী, এফ আই আর নম্বর ৪৯ (৭) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৩৭৯/৩৪, এফ আই আর নম্বর ৮৯ (১২) ২০২০ অন্দর সেক্সন-৩৭৯/৩৪ আই পি সী অমসুং এফ আই আর নম্বর ৮৮ (১২) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৩৭৯/৩৪ আই পি সীনি।

হায়রিবা কেসশিং অসি মখোয়না সিটি পুলিস ষ্টেসনগী জুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী হোটেল ন্যু ব্লু মুনগা মায়োক্লবা ধর্ম্মসলাগী মফম অমদগী ইকো ভেন অমা জুন ২৯, ২০২০গী অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপদা হুরানখিবা, জুলাই ১০, ২০২০গী অয়ুক অঙনবা পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা বি টি রোদকী রূপমহল টেঙ্কি ময়াদা খামদুনা থম্বা ইকো ভেন অমা হুরানখিবা, চৎলিবা থা অসিগী ১৩গী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা নাগামপালগী লাইঈশিং চাইবীগা মায়োক্লবদা লৈবা নাগা রিভর মথক্কী পার্কিংদগী ইকো ভেন অমা হুরানখিবা অমসুং থা অসিগী ৭কী অয়ুক অঙনবা পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফালগী মারৱারি ধর্ম্মসলাগী মনীং থংবা শরুক্তা খামদুনা থম্বা ইকো ভেন অমা হুরানখিবগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেসশিংনি হায়রি।

খুন্দ্রাকপমগী মীয়ামদা অকায়বা হায়খিবা লৈতে : রাজেন্দ্রো

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): হৌখিবা থা অসিগী ২২দা ইম্ফাল ইষ্ট বি জে পি মহিলাগী থৌরম অমদা ইচমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এন রাজেন্দ্রো এলিয়স বোয়না ফোঙদোকখিবা অদু মতম শাংনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈরকপনা মানা থেংনজবা থৌদোক-ৱাথোক অমদি অৰা-অনাগী থম্মোয়নুংদগী খুন্দ্রাকপমদা লৈরিবা ইচিন ইনাওশিংনা অসুক্কী মতিক ৱানা তোন্না লৈরম্বা অদুদা থম্মোয়দা ফাথবা ঙমহৌদনা খুন্দ্রাকপম অসি মমাংদা চহী ১৫ রোম পাল্লম্বা কোঙ্গ্রেস লৈঙাক্লা অমদি লোকেল লিদরশিংনা চাক্লি-ফিনিবা ওইনা থম্বিরল্লে হায়না মহাক্কী থম্মোয়দগী পেন্দবা থমখিবনি হায়না এন রাজেন্দ্রোনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না মখা তানা হায়, খুন্দ্রাকপমদা অৰাৎপগী অৰাৎপা ঙাক্তনা লৈরকখিবা অসিননি। খুদম ওইনা হায়রবদা ইম্ফাল সাইকুল রোদ অসি কুমজা ২০১৬তা কোম শানা লৈবনা চৎপা য়ারমদে। মফম অসিদা ঐহাকসু ফার্ম তৌদুনা লৈবনি। মহাকনা লৈঙাক্তা লম্বী অসি শেম্বিনবা প্রেসর তৌবদা তাবিখিদে। তাবিদবা অদুদা মহাক্কী পোকেৎতগী লম্বী অসি শেম্বা হৌখি। লম্বী অসি শেম্লবা মতুংদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টতা মাগী শেল খরা হঞ্জিনবিদবা য়াবরা হায়দুনা চৎলুবদা ৱার্ক ওর্দর অমা কুমজা ২০১৬তা ইস্যু তৌবা থেংনখি।

থবক অমা পীবা মতমদা সেদ্যুল চহী অমগী মনুংদা থবক লোইশিনগদবনি হায়বা ঐখোয় খঙই। অদুবু হায়রিবা ৱার্ক ওর্দর অদুদি চহী অনীগী মনুংদা থবক লোইশিল্লু হায়না সেদ্যুলদা য়াওরগা লৈরম্মী। লম্বী শেম্বিয়ু হায়বা তাবিদবদগী মহাক্না লুচিংলগা খুন্দ্রাকপমগী মীয়ামগা পুন্না লম্বী বন্দ তৌখি। মদুদা ৱার্ক ওর্দর পায়বা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এনা চহী অমগা থা ৬ পায়শিল্লগা লৈরমখি। বন্দ তৌরবা মতুংদা এম এল এগী ৱার্করশিং থোরক্লগা লম্বী শেমখি। মতৌ অসুম্না চাওখৎ থৌরাং পুম্বা এম এল এগী পোকেৎতা থম্নবা হোৎনখি।

মসিগা চপ মান্ননা য়ুম্নাম পাৎলৌগী থোং অসিসু চহী ৭০ শুরে। মরম অদুনা অনৌবা থোং অমা শাবিয়ু হায়দুনা প্রোগ্রাম অমসু হাপখি। থোং অসি শাবা হৌরকপদা মখাগী শরুক রং তৈশিল্লগা সিমেন্ট প্লষ্টর তৌরগা মথক্তা হৈনবা হোৎনরমখি। মদু খুন্দ্রাকপমগী মীয়াম্না চৎলগা তৌবা য়ারোই হায়বদা মীয়ামবু ষন-ইরোই তানবগুম তানখি। মসিদা নত্তনা কুমজা ২০১৩দা শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী লম অসি মহাক্না কৎথোকখ্রে হায়রবসু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংখিবদগী অচৌবা ইহৌ অমা লাক্তুনা লৈকায় অসিগী মীওই কয়া তান্থোকখি। নুপী অঙাং য়াওনা ফারে হায়দুনা মীয়াম মমাংদা খোঙ্গোইনখিবা অমদি পুলিসতা ইনশিল্লগা টিয়র গ্যেস কাপ্তুনা নুপী অঙাং কয়া শোকহনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাক্কী মথক্তা ভিজিলেন্স কেস অমা লৌখৎতুনা থিগৎলগা মাগী লোইনবি অমদি মনেমপোক্কী মমিংদা লৈবা লম অদুদা মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী মখাদা ফেন্সিং খারুবদগী ফাবগী তাঞ্জা লাকপদা মহাক ইন্টরিম বেল লৌরগা ঙসি ফাওবা লৈবনি।

অমরোমদা এন বিরহরি কোলেজগী য়ু জি সীগী ফন্দিং মখাদা লাকপা স্বিমিং পুল অমা মাগী মনেমপোক্কী লমদা শারুবদগী মহৈরোয়শিংনা ইহৌ লাকপদগী ইকুই কুইদ্রিঙৈদা লম পীথোকখি। মরম অদুনা চীং-তমগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা চহী ৩০ হেন্না থবক তৌরক্লবনি। খুন্দ্রাকপমগী মীয়াম কন্নবা হোৎনবনি। খুন্দ্রাকপমগী মীয়ামদা অপান্ননা হায়খিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

সিংহাটতা কম্মন ফেসিলিটি সেন্টর হাংদোকখ্রে

COMMON FACILITY CENTRE

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা ৬০-সিংহাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা সিংহাট ৱন ধন বিকাস কেন্দ্র (ভি দি ভি কে) দা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা খুঞ্জাশিংগীদমক কম্মন ফেসিলিটি সেন্টর অমা হাংদোক্তুনা মফম অসিগী খুঞ্জাশিংদা খূৎশিন্নখ্রে।

ম্যান্মারগা ঙমখৈ তাইনরিবা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সিংহাট এ সীদা ঙসি হাংদোক্লিবা ভি দি ভি কেগী কম্মন ফেসিলিটি সেন্টর অসি মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা শাবনি।

সেন্টর অসিবু এ সী অসিগী এম এল এ জি এস হাওপুনা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাদুনা মফম অসিগী মীয়ামদা খূৎশিন্নখিবনি।

সিংহাট এ সীগী হায়চাং ভিলেজগী মফম অমদা শারিবা সেন্টর অসিবু শঙ্গাদুনা খুঞ্জাশিংদা কৎথোকপগী থৌরম অসিদা চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর, সিংহাট সব দিভিজনগী সব দিভিজনেল ওফিসর (এস দি ও), চুড়াচান্দপুর ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী এক্স মেম্বর গ্রেস জামনু, হৈজাং ভিলেজগী চীফ, ৱন ধন বিকাস কেন্দ্রগী লিদরশিং অমসুং মফম অসিগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ (এস ঐচ জি) গী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা ভিলেজ কনক্লেভ অমসুং খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

MERRY CHRISTMAS AND HAPPY NEW YEAR 2020-21
FROM
SECTOR ASSAM RIFLES

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): অসাম রাইফলসকী ক্রুপশিংনা ম্যান্মারগা ঙমখৈ তাইনবদা লৈরিবা মোলটুক্তা মফম অদুগী ভিলেজ চীফশিংগী ওইবা কনক্লেভ অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা খৃষ্টমাস কুম্মৈ অমসুং এদভেন্ট ন্যু য়রগী থৌরমশিং হরাও তরাম্না পাঙথোকমিন্নখ্রে।

থৌরমশিং অসি ঙরাং মফম অসিদা পাঙথোকখিবনি। অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী ভিলেজ চীফশিংগী কনক্লেভ অসিবু শীনখিবগী মরু ওইবা পান্দমদি মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপগা লোয়ননা খেংজোই সব দিভিজন্দা মায়োক্নরিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱাখল তামিন্ননবনি হায়রি।

কনক্লেভ অদুদা তোঙান তোঙানবা মোলতুক্কী ভিলেজ মাপন্দগী লাকখিবা চীফশিং, সেক্রেটরি অমদি মখোয়গী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি। ঙমখৈ লান্না স্মগ্লিং তৌবা অমসুং সিক্যুরিটিগী ফীভমনচিংবগী মতাংদা কনক্লেভ অদুনা খন্নবা হৌখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক কন্ট্রোল তৌবদা ভিলেজ চীফশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

অপিকপা খুঞ্জা অঙাংশিংনসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা এ আরনা খৃষ্টমাস অমসুং এদভেন্ট ন্যু য়রগী থৌরমশিংসু পাঙথোকমিন্নখি।

মৈরা পায়বী হৌদোকখিবা নুমীৎ থৌরম ...

লামায় ১গী মখা... মৈরা পায়দুনা খুন্নাইসিগী য়াইফনবগীদমক থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখিবনি। মসিদসু নত্তনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংননবগীদমক মৈরা পায়বীশিংনা ঈহৌ কয়া হৌদুনা লাকখিবনি। ঙসি ঙসিমকসু খুন্নাইসিগী মরুওইবা ইস্যু কয়াদা মমা ওইবীশিংনা চপ চানা থেংনরি। মখা তানসু খুন্নাইসিগী য়াইফনবগীদমক লৌবা য়াবা থৌদাং লৌখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবীনা হায়খি, হৌখিবা মতমশিংদা খুন্নাইসিগী য়াইফনবগীদমক ইমা কয়ানা লৌখিবা থৌদাংশিংবু ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে। ইমাশিং অদুনা লৌরমখিবা থৌদাশিং অদুনা ঙসিগী মীরোলনা তুংইন্ননা চৎপা মথৌ তাই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীরক্লিবা চৈথেংশিং থেংননবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক্লা পুকচেল তীংনা লেপমিন্নবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা দেজ মেম্বর ওইখিবী তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট সোইবম মোমোন লৈমনা হায়খি, খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক মৈরা পায়বী ইমাশিংনা লৌরকখিবা থৌদাং অদু ঙসিগী মীরোলনা ময়েক শেংনা খঙননবা হোৎনহন্নিংই। লমদম অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীওৎ-মীনৈ চথুরকপা থেংননবা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংননবা লৌখিবা থৌদাংশিং অদু ঙসিসু লেপ্পা লৈতে। খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসি পুন্না থেংনমিন্নবা মথৌ তাই। খুন্নাই অসি মাঙহন-তাকহন্নবা হোৎনরকপা খূদিংদা মমা ওইবীশিংনা তুমীন্না খক লৈরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং অমদি মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

লৈঙাক্কী ফজরবা স্কিমশিংগী বেনিফিসরিশিংনা...

লামায় ১গী মখা... এজেন্টশিংনা পুকচেল শেংনা বেঙ্ক পাসবুক অমদি এ টি এম কার্দনচিংবা বেনিফিসরিশিংদা পীবিরবরা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ঙসিসু স্কিম অসিগী বেনিফিসরিশিংনা বেঙ্ককী পাসবুক, এ টি এম কয়া পায়রবগে অমদি এ টি এমগী পিন নম্বর ফংদুনা লৈঙাক্লা মশা-মশাগী একাউন্টদা হাপ্লিবা শেনফমশিং অসি বেনিফিসরি মশানা লৌথোকচবা ঙল্লবরা? লোয়ননা খুঙ্গং-খুঙ্গংগী লৈরিবা এজেন্টশিংনা বেনিফিসরিশিং অদুগী ফংফম থোকপা শেনফমশিং চপচানা পীবিরিবরা হায়বসিসু মরি লৈনবশিংনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

হৌখিবা চহী অমগী মনুং অসিদা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা স্কিমশিং অসিগী বেনিফিসরিশিংদা লৌনম তৌবগী থৌদোক কয়া থোকখিবসু লৈখরে। বেনিফিসরি অয়াম্বনা ঙসিসু বেঙ্ক একাউন্ট হাংলবসু মশাগী বেঙ্ককী পাসবুক অমদি এ টি এম লৈত্রি। লোয়ননা এ টি এম পীরক্লবসু এ টি এমগী পিন নম্বর পিরক্তবা অমদি একাউন্টদা শেল য়াওরগসু নুমীৎ খরনিগী মনুংদা শেল একাউন্টদগী মাংখিবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী বেনিফিসরিশিংনা মশাগী একাউন্টদা পৈশা কয়া চঙলক্লবনো খঙবা ঙমদবা, চঙলক্লিবা শেনফম অদু বেঙ্ককী পাসবুক অমদি এ টি এম লৈতবা মরম্না বেনিফিসরিশিংদা চমম্লবা কয়া পোকহনবগা লোয়ননা খুঙ্গং-খুঙ্গংগী লৈরিবা স্কিমশিং অসিগা মরি লৈননা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা খুদোংচাবা কয়া লৌরবরা হায়বসিসু মীওই কয়া অমনা চিংনদবা নত্তে। ঙসিসু স্কিমশিং অসিগী মশা-মশাগী একাউন্টদা চঙলক্লিবা শেনফম খরা অসি পি এম কিষান কার্দ, উজ্জালা গ্যেসকী সবসিদি অমদি ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম চঙলক্লিবরা হায়বদুসু ময়েক শেংনা খঙদবা মরম্না বেনিফিসরিশিংনা তংতাবা অমা চপচানা খঙদবনা চিংনবা কয়া অমসু পোকহল্লে। মরম অদুনা মরি লৈনবশিংনা অথাপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অমদি স্কিমশিং অসিগী বেনিফিসরিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারি। লোয়ননা বেঙ্ককী ওফিসয়লশিং অমদি গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা এজেন্টশিংনসু খুঙ্গংগী ইচম-চমজবা মীওইশিংগী হোৎনজমন অমদি ফংফম থোকপা রাইটশিং অদু পুকচেল শেংনা বেনিফিসরিশিংগী মতেং পাংদুনা ফংহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। মদুনা পুন্না চাওখৎমিন্নবা ঙম্বা অমদি লৈঙাক্কী ফজরবা স্কিমশিং অসি মায়পাকপা ঙমগনি।

দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটস চহী ১গী ...

লামায় ১গী মখা... মরমশিং অসিনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট, ১৯৫৮ (এক্ট, নম্বর- ২৮ ওফ ১৯৫৮)গী সেক্সন-৩না পীবা পাৱরগী মতুংইন্না লাউথোক্লবা এক্স-পোষ্ট ফেক্টো এপ্রুভেল পীবদগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপল এরিয়া য়াওদনা মণিপুর পুম্বদা দিষ্টর্বদ এরিয়াগী ষ্টেটস চৎলিবা থা অসিগী ১ দগী হৌরদুনা চহী ১গী ওইনা মণিপুরদা থল্লক্লিবা দিষ্টর্বদ এরিয়া শাংদোকহল্লে হায়রি। স্পেসল সেক্রেটরি (হোম)গী নোটিফিকেসন অসি থা অসিগী ১৭তা থোকখিবনি।

লুখোসৈ জৌ মরাল লৈতে ...

লামায় ১গী মখা... হৌরকপদগী ৱাথোক লান্থোক কয়া থোক্তুনা কেস হনে দাক্লবা অকনবা প্রেসর পীরকখিবা দ্রগকী সেম্পল মাঙহনবা, মরম চাদনা বেল হঞ্জিন-হঞ্জিন পীদুনা লাকপা য়াল্লবা লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগকা লোয়ননা ফারবা মীদুবু দ্রাইভরগীনি হায়দুনা মশাগী য়ূমদগী ফারবা ফাওবা য়ূম্বু নত্তবা মী অমগীনি হায়না মরম চাদবা মীয়াম পূম্নমক্লা থাজবা য়াররোইদবা থবকনি হায়খি।

হুরানবা মকোক্তা নাপী পকপা ওইনা থোক্কনি, শেমজিন শাজিনবা মানবা ৱাফম কয়ানা কেস অসি মায়থীহল্লব্রা হায়বগী চিংনবা চাউনা লৈ। হুই ঙাওরবদি হুইবু থিফম থোকপনি। পূম্নমক অসিগী ওন্ন-তৈনবদা মণিপুর মীয়ামগী থাজবা মাঙবা য়াবা ৱার ওন দ্রগ অসি ফাগি তাহনবা য়াবা মওংদা চথুরক্লিবা থবক অসি মণিপুর মীয়াম অমদি নিংঙোল ক্লবনা য়াবা ঙমলোই হায়খি। ঙসিগী খোঙজং অদুদা লুখোসৈ জৌ থাদোকপা য়ানীংদে, দ্রগ ললোনবা চৈরাক পীয়ু, ৱার ওন দ্রগ ফাগি তাহনগনু হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়ামরুমসু লাউখি।

পাৱর পায়রে হায়দুনা বি জে পি...

লামায় ১গী মখা... উৎপা ওইনা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা ইম্ফাল এয়রপোর্টপু বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট হায়না মিংথোন্ননবা হোৎনরকখিবনি। অথৌবা অসিনা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক লৌরমখিবা থৌদাং অদুবু ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে। অথৌবা অসিগী ৱাখল্লোনশিং অসিবু ঐখোয় খূদিংক্লা তুংইন্ননা চৎলগা মীখা পোন্দনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, কোংগ্রেস এম এল এশিং, এক্স-এম এল এশিং, এম পি সী সীগী থৌ পুবশিং অমদি কোংগ্রেস ৱর্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

মী হাৎপদা চেন্নবা অনী অসাম রাইফলসনা ফারুবদগী ঈরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ২৫শুবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা থা অসিগী ২৭কী নুমীৎয়ুংবা মতুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুলাইফাই খুলদগী থাংখুলেন অমদি ওংখুলেন কৌবা মীওই অনী ফাখিবদগী ঙসি টিপাইমুখ রোদ বন্দ কৌখ্রে।

বন্দ মনুংদা ঙসি নুপা, নুপী ময়াম থোরক্তুনা এ আরনা ফাখিবা মীওই অনী কন্দিসন য়াওদনা থাদোকউ হায়দুনা মফম অদুদা লৈবা ২৫শুবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টতা থোমজিন্দুনা ঈরাং শাগৎলকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা অসাম রাইফলসনা ফাখিবা অদু মীওই অহুমনি। মখোয় মীচম ঙাক্তনি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা ফোঙদোরকপদা মখোয়না ফাখিবা মীওইশিং অদু এল টি টিগী সূ গ্রুপ য়াওদবা কম্মান্দর অমা হাৎপদা চেন্নবা মীওইনি। মখোয় হেংলেপ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবনি। ফারবা মীওইশিং অদু ঙসি অসাম রাইফলস কাঙবুনা হেংলেপ্তুগী হেলিকোপ্টরদা পুরগা ইম্পাল পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখ্রে হায়রি।

মীওই মঙা লৈখিদ্রে, কেস ৩৬...

লামায় ১গী মখা... জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,৭১৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৩৭৭নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৬,৫২১ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৩,২৭৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩২৪৬ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৪.৩৯নি। অদুগা কেস ১২২২না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১০৯৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১২৭ য়াওরি। লোয়ননা মীওই ৪৩সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।